# মৈরানা ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬কী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাক্কো স্কুলসনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা সেয়োগী হোক্কী গ্রাউন্দদা চথরকপা ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬ ষ্টেট লেভেল মেন'স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর মৈরা বাশিখোংনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মৈরা অমসুং এম পি এস সিনা অপিবা মতমদা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনাল্টি সুট আউটনা ৱিন্নরগী মরাইবক লেপ্পদা মৈরা বাশিখোংনা এম পি এস সিবু গোল ৫–৪দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা নহা ওইরিবা শান্নরোই কয়া য়াওরিবা মৈরাগী মায়কৈদগী হেন্না হৈশিংনা শান্নবগা লোয়নননা এম পি এস সিগী সার্কল মনুংদা কয়ারক হন্না চঙবা ঙমদুনা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু টার্গেট মপা চুন্না এটেম্প তৌবা ঙমদবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা এম পি এস সিগী মায়কৈদগী মমাঙগী ক্বার্টরদগী হেন্না নীংথিনা শান্নরকপগা লোয়নননা ক্বার্টর অসিদা মখোয়গী মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। অদুবু ২১শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনাল্টি কোনর অমদগী জর্সি নম্বর ১১ এস সুরেসনা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা মৈরাগী গোলকিপর কে দাৱিনবু মায়থিবা পীরমদুনা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

এম পি এস সিগী গোল একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং ইকুয় কুইদনা ২৬শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৬ এল মন্তোসনা সার্কল মতোনদগী এটেম্প তৌবা বোল অমা মৈরাগী গোলকিপর কে দাৱিননা সার্কল মপানদগী এটেম্প তৌরকপা মানখিবদগী অরায়বা বোল অদু থাদোকখিদুনা এম পি এস সিগী অনীশুবা গোল চলহনখি।

অহানবা হাল্ফ ফাওবদা এম পি এস সিনা গোল অনী মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অহুমশুবা ক্বার্টরদা মৈরাগী মায়কৈদগী গোল চন্নবা লেপ্পা লৈতনা প্রেসর পীরক্লবসু এম পি এস সিগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা জর্সি নম্বর ১১ এস সুরেসনা লুচিংবা দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা থিংদুনা লৈখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি অদুবু ৩৯শুবা মিনিটতা এম পি এস সিগী সার্কল মনুংদা মখোয়গী শান্নরোই অমনা মৈরাগী শান্নরোইদা ফাওল তৌরুবদগী অম্পয়রনা মৈরাগী ফেবরদা পেনাল্টি ষ্ট্রোক পীখি। পেনাল্টি ষ্ট্রোক অদু মৈরাগী জর্সি নম্বর ২১ এন জেনজেননা গোল ওন্থোক্তুনা শোঙনা লৈরম্বা গোল ২ অদুগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমদুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা গোল ১–২দা লৈহনখি।

মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টরদা এম পি এস সিগী মায়কৈদগী শান্নরোই অয়াম্বা মখোয়গী হাল্ফতা লৈদুনা শোঙনা লৈরিবা গোল অদু হন্দাকপা ঙমহন্দনবা হোৎনবগী লোয়নননা মরক মরক্তা মৈরাগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেক কয়া চখখি। মেটচ অসিগী লোয়রমদাই ৫৮শুবা মিনিটতা মৈরাগী জর্সি নম্বর ১০ টিঐচ থোংলেননা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি অপিবা মতমদা মায়থিরমগদবদগী কণ্দুনা ২–২দা দ্রো তাহনখি।

মেটচকী অপিবা মতমদা টিম অনীমক্না গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইবদগী পেনাল্টি সুট আউটনা মেটচকী মরাইবক লেপ্পদা মৈরাগী জর্সি নম্বর ৯ এ অবুং, জর্সি নম্বর ২১ এন জেনজেন অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ ও লন্থোইবানা গোল চল্লবসু মখোয়গী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ কে সঞ্জিৎ অমসুং জর্সি নম্বর ১২ এন মহেসকী পেনাল্টি অদু এম পি এস সিগী গোলকিপর কে উরুননা সেভ তৌখিবদগী গোল ৩ চনবা ঙমখি।

এম পি এস সিগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৩ কে এসঐচ ৱাঙম্বা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ এস সুরেস গোল চল্লবসু জর্সি নম্বর ১০ কেঐচ রবিকান্ত, জর্সি নম্বর ৭ কে দেবেশ্বর অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ এন ভাকরগী পেনাল্টি মৈরাগী গোলকিপর জর্সি নম্বর ১৮ কে দাৱিননা সেভ তৌখিবদগী গোল ২ খক চনবা ঙমদুনা মেটচ অসিদা মৈরানা এম পি এস সিবু গোল ৫–৪দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা হোক্কী ওলেম্পিয়ন কেএসঐচ থোইবনা চীফ গেষ্ট, ইন্টরনেসনেল হোক্কী প্লেয়র ওইরম্বা এম কুলাজিৎ মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওন্নর, য়ুনাক্কো কোলেজগী প্রিন্সিপাল নাওরেম অজিৎনা প্রসিদেন্ট অমসুং ৯শুবা আই আর বিগী কামান্দেন্ট সঙ্গামিতানা স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াবগা লোয়নননা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রবা মৈরাদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫০ অমসুং ট্রোফি, রন্নরস অপ তাখ্রবা এম পি এস সিদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমসুং ট্রোফি খুৎশিন্নখিবগা লোয়নননা বেষ্ট গোলকিপর তাখ্রবা মৈরাগী কে দাৱিনদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩, বেষ্ট প্লেয়র তাখ্রবা মৈরাগী এন জেনজেনদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ১৫০০ অমদি ফাইনেল মেটচ অসিদা খ্বাইদগী অহানবা গোল চনখিবা এম পি এস সিগী এস সুরেসতা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## ১০শুবা এম এন সি এ ইলাইট ট্রোফি:

# রেইস অমসুং পি টি আর সিনা ফাইনেল শান্নরগনি




ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১২না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ১০শুবা এম এন সি এ দব্লিউ প্রল্হদা এন্দ দব্লিউ রমানন্দ ইলাইট ট্রোফিগী ফাইনেলদা রেইস নাগামপাল অমসুং পি টি আর সি পাৎশোইনা শান্নরগনি।

ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বালিফাইয়র তুগী মেটচতা রেইসনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন২৮দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা সাইক্লোননা তোস ঙমদুনা রেইসবু হান্না বেটিং পায়হনবদা ওভর ৩৮.২দা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইরগা রন ১৫৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা সাইক্লোননা ওভর ৩৭.৪দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১২৫ খক লৌবদগী রেইসকী মখুৎতা রন ২৮দা মায়থিবা নঙখি।

রেইসকী বেটিংদা কেকেভি মুষ্টাকনা বো ৬৮দা রন ৬৫ লৌদুনা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়নননা কিরন লাইশ্রমনা বোল ৫৩দা রন ২২ অমসুং এমদি বাসির রাহমননা বোল ২৮দা রন ১৭ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটচমেনশিং ওইখি।

সাইক্লোনগী বোলিংদা রিওলিন ওইনামনা ওভর ৭.২ লংবদা রন ২৬ পীরগা ৱিকেট ৪,রাহুলনা ওভর ৭ লংবদা মেদন ওভর অমা য়াওরগা ৱিকেট ২,কিষন লাইশ্রমসু ওভর ৮ লংবদা মেদন ওভর অমা য়াওরগা রন ২৫ পীরগা ৱিকেট ২ অমসুং নোংথোম্বম দেনিননা ওভর ৬ লংবদা রন ৩১ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখি।

সাইক্লোনগী বেটিংদা নোংথোম্বম দেনিননা বোল ৬৪দা রন ৪২, রিওলিন ওইনামনা নোট আউটতা বোল ১৮দা রন ২১, থোমসন মোইরাংথেমনা বোল ৪৯দা রন ২১ অমসুং এমদি অকিলনা বোল ২৭দা রন ১২ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বেটচমেনশিং রন মশিং অনীশুনা লৌবা ঙমখিদে।

রেইসকী বোলিংদা রোবার্টসন লাইশ্রমনা ওভর ৪.৪ লংবদা রন ১৪ পীরগা ৱিকেট ২, রিঙ্কু কাঙুজমনা ওভর ৬ লংবদা রন ২৮ পীরগা ৱিকেট ২, কিরন লাইশ্রমনা ওভর ৮দা রন ২২ পীরগা ৱিকেট ২, নাওরেম ভিক্টর মৈতৈসু ওভর ৮ লংবদা মেদন ওভর অনী য়াওরগা রন ২২ পীরগা ৱিকেট ২ অমসুং সোহেল অক্রমনা ৱিকেট ১ লৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেইসকী মোহামদ মুষ্টাকনা বোল ৬৮দা রন ৬৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

# দি এল সি হৈরোকনা মেক্স ট্রোফিগী মপু ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
হৈরোক য়ুনাইটেদ ক্রিকেট ক্লব হৈরোকনা শীন্দুনা টিম ১২না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১দগী হৈরোক পার্ট–২ প্লে গ্রাউন্দদা চথরকখিবা মেক্স ট্রোফি লৈখিদ্রবা নিংথৌজম হেমন্ত এলাইজ নাওবি মেমোরিয়েল ফাষ্ট ষ্টেট লেভেল টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬কী মপুং দি এল সি হৈরোকনা ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দি এল সিনা তোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌবদা ওভর ১৩.৫ মায়োক্নবদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১০০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ষ্ট্রেট গেংনা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৮১ খক লৌবদগী দি এল সিনা রন ১৯দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। মেটচ অসিদা দি এল সিগী মককময়ুম অজিজ মিরজানা মেন ওফ মেটচনা তাখি।

ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রবা দি এল সি হৈরোক্তা মেদল, ট্রোফি অমদি শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫০, রন্নর অপ তাখ্রবা ষ্ট্রেট গেং মোইজিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০গা লোয়নননা মেদল অমদি ট্রোফি ফংখি। প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টনা দি এল সিগী সয়েদ হুসেন, বেষ্ট বেট্টর ওফ দি টুর্নামেন্টনা ঐচ য়ু সি সিগী এন রোহিট, বেষ্ট বোল্লর ওফ দি টুর্নামেন্টনা দি এল সিগী দানিস খান অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা ঐচ য়ু সি সি তাদুনা ট্রোফি অমদি শেলগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুটি কম্মীস্নর এম রাজকুমার (আই এস এস), হান্নগী মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রো, ৩শুবা আই আর বিগী সি ও এস হেমন্তা (এম পি এস), সেট্টলমেন্ত দিপার্টমেন্টগী ডাইরেক্টর দেভিদ এলাংবম, মিল্লিনিয়ম স্কুলগী ফাউন্দর পাঙৈজম রোবিন, রিমসকী এসিষ্টেন্ট সুপ্রিনটেন্দেন্ট ডা. লাইশ্রম ত্রিনিতি মৈতৈ, দি এম য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রাজকুমার চিংখ্বৈ, থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্যা কেঐচ সোভা, টুর্নামেন্ট অসিগী দোন্নরগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা শেলগী মনা, ট্রোফি অমদি মেদলনচিংবা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# দেবিকারানিনা সিলভর ১ লৌদুনা পূন্না মেদল ২ লৌবা ঙমখ্রে, উপেন্দ্রো ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
ইন্টরনেসনেল ৱুশু ফেদরেসন (আই দব্লিউ য়ু এফ)না শীন্দুনা চাইনাগী টিয়ানজিনদা লৈবা ওলেম্পিক সেন্তর জিম্নাজিয়মদা চথরিবা ১০শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা কোন্থৌজম দেবিকারানিনা সিলভর অমা লৌদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মহাক্কী মেদল অনী লৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা উপেন্দ্রো থোঙামসু সন্দাদা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা টাইজিজিয়ান ইভেন্টদা কোন্থৌজম দেবিকারানিনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী গ্রুপ–সিগী টাইচিক্কান ইভেন্টদা পোইন্ট ৮.৪২ স্কোর তৌদুনা হান্না ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।



নাকল অমরোমদা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী উপেন্দ্রো থোঙাম সন্দা ইভেন্টগী কেজি ৪৫দা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী ইমির নুরুদ্দিনোভ মায়থিবা পীরমদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি। সেমি ফাইনেলদা অরমেনিয়াগী গ্রিসা অলি খানয়ানবু মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙখি।ফাইনেলদা হয়েং উজবেকিস্থানগী অব্দুললোক রকমানোভকা থেংনরগনি।

হৌজিক হৌজিক শিল্লোংদা লৈবা আর্মি বোইজগী ৱুশু শান্নরোই অমা ওইরিবা উপেন্দ্রো থোঙাম থৌবাল ৱাংমা তাবা মথক লৈকাইদগী থোঙাম প্রেমকুমার এলাইজ রঞ্জন অমসুং থোঙাম ননাও লৈমাগী মচানুপানি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোই ১৫ খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
স্বামী ভিভেকানন্দ অন্দর–২০ মেন'স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা শরুক য়ানবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগী ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্টতা শরুক য়ানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টগী শান্নরোই ১৫ খনখ্রে।

পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি আর এফ সি সিগী সোরাইশম ধাকেশ্বর, কোঞ্জেংবম রোসন, লোক্তোংবম লমজিংবা, ট্রুপু নম্বোলগী থাংজম ওলিভর, তোংব্রম য়াইশেম্বা, মোইরাংথেম ইনাওবা, উৎলৌ এফ সিগী ইঙুদম সুরজ, দেভিদ য়েন্দ্রেম্বম, নোংথোম্বম নাওবি, এল এফ সিগী নোংমাইথেম রোহিট, আর এফ সি সিগী থৌনাওজম রেবার্টসন, আর এফ সি সিগী হিদম মনাও, ৱাই এস দব্লিউ এগী পোংসুম্বম রাজা, আর এফ সি সিগী হুইদ্রোম তোরেস অমসুং হুইদ্রোম পোইরৈঙানবনি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ৩০গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা মরি লৈনবা ওরিজিনেল বার্থ সার্টিফিকেট অমসুং অধার কার্দকা লোয়নননা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# ইরোম রোনাল্ডোনা নুপাগী অমসুং সালোমিনা নুপীগী মকোক তাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ নুমিৎ নীনি চুপ্না নৈনশঙ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, এস টি সি ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙরাংদগী শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা চথরকপা থাঙ–তা চাংদম্নবা ২০২৬ দা ইরোম রোনাল্ডোনা নুপাগী অমসুং সালোমি মুতুমনা নুপীগী অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

নুপা শান্নরোই ৩৭ অমসুং নুপী শান্নরোই ১৭না শরুক য়াদুনা মশান্না ৫দা অথোই অহেন চাংদম্নখিবা অদুদা ইরোম রোনাল্ডোনা নুপাগী কাঙলুপ্তা অহানবা তাদুনা শেলগী ওইনা লুপা লিশিং ২০গী মনা ফংখিবগা লোয়নননা কেঐচ লক্কিচান্দনা অনীশুতা তাদুনা শেল ওইনা লুপা ১৫ অমসুং রেক্স কোইজমনা অহুমশুবা তাদুনা শেলগী ওইনা লুপা লিশিং ১০গী মনা ফংখি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা সালোমি মুতুমনা অহানবা তাদুনা শেলগী ওইনা লুপা লিশিং ২০, মুতুম নাওতোম্বীনা অনীশুবা তাদুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫ অমসুং কে তারিৎনু চনুনা অহুমশুবা তাদুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০গী মনা ফংখি।

থাঙ–তা চাংদম্নবা লোয়শিনবগী থৌরমদা পাৎশোই এ সিগী এম এল এ সাপম কুঞ্জাকেশ্বরনা চীফ গেষ্ট, নৈনাশঙগী প্রসিদেন্ট চিরোম বাবুলনা প্রসিদেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টগী য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী ডাইরেক্টর ডা. ময়াংলাংম্বম ভেতোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা–মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# কৈশামথোং এফ সি অমসুং ই এম এফ সি লম্লাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা সাই এন ই আর সি তাকয়েলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ২৪শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী মেটচশিংদা কৈশাম থোং এফ সি অমসুং ই এম এফ সি লম্লাই মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কৈশামথোং এফ সিনা এফ এল ভি কে টি ক্বাকৈথেলবু লাকচনা গোল ১০–০দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা কৈশামথোং এফ সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ নবাচন্দ্রনা মেটচকী ২শুবা, ৪শুবা, ১২শুব, ২৬শুবা, ৪২শুবা, ৪৫শুবা, ৪৯শুবা অমসুং ৫৬শুবা মিনিটতা পূন্না গোল ৮ চন্দুনা দবল হেটট্রিক তৌবা ঙমখি। অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৮ রাজেসনা মেটচকী ১৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ উমাকান্তনা মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা চনখি।

নাকল অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ই এম এফ সিনা লংথবাল এফ সিবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা ই এম এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ অজিৎকুমারনা মেটচকী ১৮শুবা, জর্সি নম্বর ৮ সুরেসনা ৪৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ রোহেননা ৫৭শুবা মিনিটতা চনখি। লংথবাল এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ ঈশ্বরচান্দনা ১৯শুবা চনখি।

# পি টি আর সি অমসুং সেদো থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১১না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা অহুমশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৫ গালর্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৫–২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি টি আর সি পাৎশোই অমসুং সেদো থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদদা শান্নখিবা মেটচতা পি টি আর সিনা এম পি এ থৌনাওজমবু ৱিকেট ৭দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা এম পি এনা তোস ঙমদুনা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৮৯ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা পি টি আর সিনা ওভর ৯.৩ মায়োক্নবদা ৱিকেট ৩ খক তুরগা রন ৯১ লৌদুনা এম পি এবু ৱিকেট ৭তা মায়থিবা পীখি।

এম পি এগী বেটিংদা য়ুম্নাম ইচাপামু দেবীনা নোট আউটতা বোল ৪৯দা রন ২২ অমসুং লাইশ্রম বন্দনা চনুনা বোল ২৮দা রন ১৬ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বেট্টরশিং রন মশিং অনীশুনা লৌবা ঙমখিদে।

পি টি আর সিগী বোলিংদা লাইশ্রম বিগ্যাপতি দেবীনা ওভর ৫ লংবদা মেদন ওভর অনী য়াওরগা রন ৬ পীরগা ৱিকেট ৩, লাইতোঞ্জম সিল্কি দেবীনা ওভর ৫ লংবদা রন ২০ পীরগা ৱিকেট ২ অমসুং লাইতোঞ্জম বেনিতা দেবীনা ওভর ৫ লংবদা রন ২৬ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি।

পি টি আর সিগী বেটিংদা লাইতোঞ্জম বেনিতা দেবীনা বোল ২৯দা রন ৪০ অমসুং লাইতোঞ্জম পুর্ণিমানা নোট আউটতা বোল ২৪দা ১২ লৌদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী য়াম্না ঙম্বা ওইখি। এম পি এগী বোলিংদা য়ুম্নাম ইচাপামু দেবীনা ওভর ৪ লংবদা রন ২২ পীরগা ৱিকেট ২ অমসুং সলাইঙম্বী থোকচোমনা ওভর ১ লংবদা রন ১১ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পি টি আর সিগী লাইতোঞ্জম বেনিতা বোল ২৯দা রন ৪০ অমসুং ওভর ৫দা ৱিকেট ১ লৌদুনা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখি।

সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা সেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই পি ঐচ য়ু সি লালাম্ফুংবু চাউনা রন ২৭২দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা সেদোনা তোস ঙমদুনা বেটিং হান্না পায়বদা ওভর ৩০দা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ২৯৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ৱাই পি ঐচ য়ু সিনা ওভর ১১.৪ মায়োক্নবদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ২১খক লৌবদগী সেদোগী মখুৎতা চাউনা রন ২৭২দা মায়থিবা নঙখি।

সেদোগী বেটিংদা ভিভেনি লাইশ্রমনা নোট আউটতা বোল ১০৮দা ফোর ১৮ অমসুং সিক্স ৫ য়াওরগা রন ১৫৯ লৌদুনা সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়নননা হাংলেম মালেমঙানবীনা বোল ৪৮দা ফোর ৯ য়াওরগা রন ৬২ লৌদুনা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈখি অমদি শিলহৈবী সেরামনা বোল ২৭দা রন ২২ লৌদুনা খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবা বেট্টরশিং ওইখি। ৱাই পি ঐচ য়ু সিনা বোলর ৮ শীজিন্নবগী মনুংদা শরাংথেম ইষ্টর দেবীনা ওভর ৪ লংবদা রন ৪৬ পীরগা ৱিকেট ১ অমসুং থাদোই মাইবমনা ওভর ৬ লংবদা রন ৫৯ পীরগা ৱিকেট ১ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বোলরশিং ৱিকেট অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

ৱাই পি ঐচ য়ু সিগী বেটিংদা সৌবাম লিংজেনঙানবী দেনীনা বোল ২৪দা রন ৩ অমসুং তাখেল্লম্বম লিক্লাই চনুনা বোল ২০দা রন ২ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বেট্টরশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবনা অপূনবা রন ২১দা লোয়শিনখি।

সেদোগী বোলিংদা শগাৎপম হেন্থোইবীনা ওভর ৫ লংবদা মেদন ওভর ২ য়াওরগা রন ৫ পীরগা ৱিকেট ৫ অমসুং কোন্থৌজম শিন্থোইহেনবীনা ওভর ৫.৪ লংবদা মেদন অনী য়াওরগা রন ৯ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সেদো থাংমৈবন্দগী ভিভেনি লাইশ্রমনা নোট আউটতা বোল ১০৮দা রন ১৫৯ লৌদুনা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখি।




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com